**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-11-2024)**

**রঞ্জন (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা এম.বি.বি.এস অমদি বি.এস.সি. নর্সিংনচিংবা তমবগী পরিক্ষা অসি তোঙান তোঙাননা পাঙথোক্ত্রবসু নেসনেল ইলিজিবিলিতি কম এন্ত্রান্স টেষ্ট (নিট) কী পরিক্ষাদা পুল্লপ পুনশিন্দুনা পাঙথোকবগী অপান্বা ৱাখল্লোন রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসকী মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা কলেজ ওফ নর্সিংগী ১৩ শুবা কুমওন থৌরম অমদি কলেজ অসিগী ওইনা ইং ২০২৪-২৫ বেটচকী অহানবা সেমিস্তর বি.এস.সি. নর্সিং মহৈরোইশিংগী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-হায়রিবা পরিক্ষাশিং অসি নিটকী পরিক্ষাদা পুনশিনবদা ওইথোকপা য়াগদ্রা নৎত্রগা য়ারোইদ্রা হায়বসি হীরম অসিদা নীংথিনা খঙ হৈরবা মীওইশিংগা কুপা খন্ন-নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ। খন্নবা অসিদা ওইথোকপা য়াগদ্রা নৎত্রগা য়ারোইদ্রা হায়বদ্ কুপা খন্নরগা থবক পাঙথোকহন্নিংবগী অপান্বসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

শ্রী রঞ্জননা মখা তানা হায়-তিঞ্জং কায়জংদবা, মশা-মউ ফবা, অনা-অয়েক য়াওদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক হেলথ সেক্তরদা লৈরিবশিং অসি হকশেলগী য়াঙলেন শরূ ওইরি। অসিগুম্বা খুন্নাই নৎত্রগা লমদম অমা শেম্বদা অকোইবগী ফিভম ফগৎহনবা তঙাইফদে। মহৌশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবা জিবশিংগী পুন্সি মহিংদা থোরক্লিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি হকশেলগী লমদা লৈরিবশিং য়াওনা মীপুম খুদিংমকা খঙমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

হকশেলগী ওইবা হীরমশিং অসিদা সরকারগী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা

থবক থৌরম কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। হেলথ সেক্তরদা লৈরিবশিংনসু কৎথোকপগা লোয়ননা তৌফম থোকপা দায়ত্ব অদু লৌদুনা চপ চানা থবক তৌসি হায়নসু শ্রী রঞ্জননা মখা তাখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** খা-এসিয়াদা খ্বাইদগী চাউবা অমদি থোইদোক হেন্দোকপা সাহিত্যগী মফম কল্লিবা রেনবো লিটরেচর ফেষ্টিবেলদা এৱার্ড পীনবা লাইরিক অহুম খল্লকপদা মনিপুরদগী সান্তা খুরাইনা ইবা-রুবানি য়ুমখাইবমনা হন্দোকপা লাইরিক ‘য়েল্লো স্পেরো’ য়াওরক্লে। দিসেম্বর ৭ তগী ৮ ফাওবা দিল্লিগা গুলমোহোর পার্কতা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিবেল অসিদা লাইরিকশিং অসিগী মকোক মথং তারবশিং লাউথোক্কনি।

**কনফরেন্স (এল)ঃ** ‘এন-এক্সক্লুসিপ প্লেটফোর্ম দেট বুইল্ডস কনফিদেন্স ইন ইয়োর চাইল্ড’ হায়বা থিমদা চান্দেল জিলাগী ওক ফিল্ড খৃষ্টান একাডমীদা একাডমী অসিগী ওইনা অহানবা ষ্টুদেন্টস লিদ কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে।

একাডমী অসিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুদা স্কুল অসিগী নরসরিদগীনা ক্লাস টেন ফাওবদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংদা শেম শারিবা মোদেলশিং উৎপা ষ্টোল কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী মহৈরোইশিংনা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ কয়াসু উৎখি।

**ফারমস(এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা লমবুং খুলদা আর.সি. মণি ফৌ ফিফতিন মায় পাকা থাখ্রবা লৌবুকশিংদা লৌমীশিং য়াওনা কে.ভি.কে. চান্দেলগী মীওইশিং, নিক্রা প্রোজেক্টকী ওফিসিএলশিংনা লৌফমশিং অসিদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা লমবুং খুল অমসুং থংনরিবা খুলশিংগী লৌমী ৩৬ রোমা শরুক য়াখি।

**লম্বী (এল)ঃ** ইস্ফাল-য়াইরিপোক লম্বীগী কোনুং মমাংদগী ৱাংখৈ ফাওদুনা চৎলিবা লম্বী অসি শেম্বা হৌরম্লগা লেপখিবা থোওং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসিগী ওইনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখ্রে।

লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী নুপী মরুপকী ইমা-ইবেলশিংনা থোরক্তুনা চখিবনি। খোঙজং অদুগা মরী লৈননা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী নুপী মরুপকী জেনরেল সেক্রেটরিনা হায়-লম্ব অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা সরকার অমসুং মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

**ফোরেষ্ট(এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী হেদক্বাটরসতা লৈবা বেথেল হোলদা নোংমগী ওইবা স্পিসিএল এৱারনেস মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা তমেংলোং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংসু ৱাইল্ড সেঙ্কচুরি, রিজার্ব ফোরেষ্ট অমসূং প্রোটেক্টেট ফোরেষ্টনি হায়না সরকারনা লৌখিবা ৱারেপ্পু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। সরকারনা ৱারেপ অসিবু মীয়ামগী খনবীদুনা হন্দোকপীনবা আপিল তৌরি।

**য়ুপিএফ (এল)ঃ** মনিপুরদা থা খুদিংগী পুথোকপা চেফোং ‘ঐখোয়গী পন্থুং’ গী চহি ২৫ শুরকপা লুপা ফুদোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশামথোং লাইশোম লৈরক মচিনদা লৈবা চেফোং অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবনি।

**সংসদ ঃ** সংসদকী নিংথম মীফম থা অসিগী ২৫ দগী মথং থাগী ২০ ফাওবা চথগনি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-থা অসিগী ২৬ তা সংবিধানবু মপুং ফানা

চৎনহনখিবগী ৭৫ শুবা থৌরম ’সংবিধান সধন’ গী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোক্কনি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দৌপদি মুরমুনা হায়রি-বৌধনা লন্বী থিরিবা মীওইশিংগী লমতাকপীবা মীওই ওইরি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা অহানবা এসিয়ান বুধিষ্ট সমিটতা শরুক য়ারদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-মালেম অসিদা মীওই কয়ানা অৱাবা কয়া মায়োকরিবা অসিদা বৌধা লাইনিং চৎপশিংনা মীওইবা সমাজতা মীনুংশিগা লোয়ননা তেংবাংলি। মহাকা হায়-এসিয়া লৈবাকশিংদা বৌধ ধর্ম্মগী মপাঙ্গল কনখৎলক্লি অমসুং অচৌবা থৌদাং লৌদুনা এসিয়া অমসুং মালেম শিনবা থুংবদা শান্তি থমবা অচৌবা থৌদাং লৌরি। বৌধ ধর্ম্মনা মালেম অসিদা শান্তি অমসুং অহিংশাগী পাউজেল পীরি। মসিমক হৌজিক্কী ওইবা মালেম অসিগী তঙাইফদবনি।

**মীখলঃ** মহারাস্ত্র বিধান সভাগী মীখল নকশিল্লকপা লোয়ননা ভোট খোন্বগী থবক রাজ্য অসিদা পাক শন্না কনখৎলক্লি।

মীখল অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ২৮৮ তা মীরেপ লিশিং ৪,১৪০ না লম্বা থেংনগনি। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

মুখ্য মন্ত্রি-একনাথ সিন্ধেনা কোরেগাউন অমদি সাতারাদা শিবা সেনাগী মীরেপশিংগীদমক মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি। উপ মুখ্য মন্ত্রি-দেবেন্দ্র ফরনাবিচনা নাগপুরগী সাউথ ৱেষ্ট বিধান সভা কেন্দ্রদা মীয়ামগী অচৌবা রেল্লি অমদা শরুক য়াখি।

এন.সি.পিগী মীরেপ-নৱাব মালিকসু দল অসিগীদমক ভোট খোন্লি। কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি হয়েং নাগপুর অমসুং মুম্বাইদা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মহারাস্ত্রাগী অনৌবা দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস ওইনা শ্রী সঞ্জয় কুমার বর্ম্মাবু হাপখ্রে। মহাক হৌজিক হৌজিক লিগেল এন্দ টেকিকেলগী দাইরেক্তর জেনরেল ওইনা থবক পুরি। শ্রী সঞ্জয় কুমার বর্ম্মা ১৯৯০ বেটচকী আই.পি.এসনি।

**ঝরখন্দঃ** ঝরখন্দগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগীদমক ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। থা অসিগী ১৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোল্লি।

কোদরমাগী দোমচাচিদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা রাজ্য অসিদগী শেঞ্জা থুমজাগী থবক মরূ ফংনা মুথৎনা মীয়ামনা মীখল অসিদা ৱারেপ লৌরসি হায়খি।

ঝরখন্দ মুফতি মোর্চাগী লুচিংবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত সোরেননা ধর্ম্মগী মিংদা বি.জে.পিনা সমাজ অসিবু মচোই মচোই তাহল্লে হায়না মরাল শিখি।

ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙসি রাজ্য অদুগী হতিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা হায়-রাজ্য অসিদা বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকার লাক্লবদি থবক ফংদবগী সমস্যা কোকহন্নবা হোৎনগনি অমদি নুপীদা হেন্না শক্তি পীগনি।

**স্কিমঃ** সরকারনা হায়রি-লৈবাক অসিগী আর্তিসানশিং অমসুং ক্রাফ্ট পার্সনশিংবু হেন্না শক্তি পীনবগী পান্দমদা মমাঙ চহীগী সেপ্তেম্বর হৌদোকখিবা পি.এম বিস্বকর্ম স্কিমদা হৌজিক ফাওবদা মীওই মিলিয়ন ২৫ হেনবনা দরখাস্ত পিশিল্লক্লে। মসিগী মনুংদা তাঙ্কক অহুমথোকা ভেরিফিকেসন তৌরবা তুংদা মীওই মিলিয়ন ২ হেন্না রেজিষ্টর তৌরে। মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস মন্ত্রালয়না হায়-স্কিম অসি মীয়ামা য়ামা পামবা অমা ওইরক্লি।

স্কিম অসিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা আর্তিসান মিলিয়ন ১ রোমদা মখোয়গী খুৎশু খুৎলাই লৈনবা টুল কিট ইন্সেন্টিভকী মখাদা লূপা লিশিং ১৫-১৫গী কান্নবা ফংহনখ্রে। মন্ত্রালয়না হায়-স্কিম অসিনা সরকারনা আর্তিসানশিং মতেং পাংদুনা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ক্রাফশিং হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনরি হায়বদু তাক্লে।

**স্পেস ঃ** সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-মথং থাদা অন্ধ্র প্রদেসকী শ্রীহরিকোতা স্পেস সেন্টরদগী যূরোপিয়ন স্পেস এজেন্সি মীসন-প্রোভা থ্রি ভারতনা থাগৎলগনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ইন্দিয়ান স্পেস কনক্লেপ থ্রি পোইন্ট জিরোদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী লম খুদিংমক্তা স্পেস টেকোলোজিশিং শিজিন্নরি। মহাকা হায়-স্পেস টেকোলোজিনা স্মার্ট সিটিশিং শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ডা: জিতেন্দ্রনা হায়-মালেমগী স্পেসকী শেল থুমগী লমদা ভারতনা লাক্লিবা চহি অসিদা চাদা ১০ গী চাংদা হেনগৎনহন্নবা পান্দম থল্লি।

**য়ুএসঃ** অমেরিকাগী ৪৭ শুবা রাষ্ট্রপতিগী মীখল পাঙথোকখ্রে। ইহান হানবা ওইনা বরমোন্তা ভোট থাদনবা হৌখি।

মীখল অসিদা হান্নগী রাষ্ট্রপতি অমসুং রিপব্লিকান পার্টিগী দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং দেমোক্রেতিক পার্টিগী কমলা হেরিসনা লম্বা তৌনরি।

মীখল অসিদা ইলেক্তোরেল কোলেজ ৫৩৮ গী মনুংদা ২৭০ অমদি মসিদগী হেন্না ফংবা মীরেপনা মায় পাক্কনি।

**বোক্সিং** ঃ অনিশুবা গভনরস কপ বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ, মনিপুর এম্যেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা খুম্মন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা

হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না মনিপুর এম্যেচর বোক্সিং এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা ইলিইট মেন্স এন্দ ৱিমেন্স, য়ুথ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স, জ্‌নিয়ার মেন্স এন্দ ৱিমেন্স অমদি স্কুল বোইজ এন্দ গালর্সকী কেটেগোরিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী লাকপা বোক্সরশিংনা অথোই অহেন তান্নগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** নাগালেন্দ য়ুনিভরসিতিনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১১ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা নোর্থ ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভরসিতি মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ দা শরুক য়াগদবা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ফাইনেল স্কাৱদ লাউথোক্লে। খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী তরুক্কী অয়ুক পুং ১০ মখায়দা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্পোর্টসকী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তরদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) চান্দেলনা শিনদুনা চত্থরকখিবা ফার্ষ্ট এন্দ সেকেন্দ দিভিজন-দি.সি. চান্দেল ত্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে। জিলা অসিগী জোইলাং ভিলেজগী শান্নবুংদা পাঙথোকখিবা দি.সি. চান্দেল ত্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজনগী ফাইনেল মেটচতা জিওনলাং এস.ৱাই.সিনা খোংজোম ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইদুনা ত্রোফি অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেকেন্দ দিভিজন ফাইনেল মেটচতা দামজোল ৱাই.সিনা চকপিকারোং য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

**রেসলিং(এল)ঃ** ৱাই.কে. কলেজ-ৱাংজিংনা য়ুম্বু ওইদুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ রেসলিং মেন এন্দ ৱিমেন টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১২ দগী হৌরগনি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্পোর্টস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা কলেজশিংনা থা অসিগী ১১ গী নুংথিল পুং অমা ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল ৱাই.কে. কলেজ-ৱাংজিং অমদি মনিপুর য়ুনিভরসিতিদগী খঙলবা য়াগনি হায়না কলেজ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লি।

**জিট কুন্দো (এল)ঃ** মেঘালায়াগী নৈগ্রিমস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১২ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১০ শুবা সব জ্নিয়ার, জ্নিয়ার, সেনিয়ার মেন এন্দ ৱিমেন জিট কুনেদো চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১০ দা য়াইরিপোক বিষ্ণুনাহা ময়াই লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি। ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা জিট কুনেদো এসোসিয়েসন মনিপুরগী কোর্সশিংদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লি।

**ক্রিকেট ঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর সিক্সতিন বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ ত্রোফি ২০২৪-২৫ ক্রিকটে টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লিগ রাউন্দ মেটচতা আর.সি.এ-লিলোং, এ.কে.এস.দি.ও-খাঙবোক, ৱাই.য়ু.সি.সি-ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল অমসুং এস.এস.সি-পোরোম্পাৎ মায় পাকখ্রে।

**অম্ফা(এল)ঃ** হাওবম খম্বনা মনিপুরগী অহানবা এ.এফ.সিগী মেটচ কম্মিস্নার ওইরে। মহাকা ফম অসি ফংল্লকপদা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোংদোরল্লি।

অমরোমদা, এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৪-২৫ গী সি.এম.এসকী মতম থা অসিগী ১০ ফাওবা শাংদোক্লে। শরুক য়াগদবা টিমশিংনা হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা

সি.এম.এসকী রেজিষ্ট্রেসন মপুং ফানা লোয়শিন্নবা হায়রি।